# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ জাইফোর # ৩০৬

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

মালেমদা মচল হায়বদি মরূ-মরাং অমা ওইনা থোইদোক্লা মমিং চৎলিবা জাইফোর হায়রিবা পাম্বী অসিদা য়াওরিবা হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং অসি থোইদোক-হেন্দোক্লা শীংথানীংঙাই ওই। জাইফোর পাম্বী অসি ইংলিসতা নটমেগ (Nutmeg) নৎত্রগা মেস (Mace) নৎত্রগা নক্স মোসকাতা (Nux moschata), হিন্দিদা জাইফল (Jaiphal), সংস্কৃততা জাইফল (Jaiphal) নৎত্রগা জাইফালা (Jaiphala) নৎত্রগা জাতিফলম (Jatiphalam) নৎত্রগা জাতিকোশা (Jatikosha) নৎত্রগা জাভিত্রি (Javitri), উর্দুদা জৌজবুৱা (Jauzbuwa) নৎত্রগা জাইফল, অসামিজদা কানিভিস (Kanivish), বেঙ্গোলিদা জাভিত্রি, মরাথি অমসুং গুজরাটিদা জয়পাল (Jaipal), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *মাইরিসতিকা ফ্রেগ্রেন্স (Myristica fragans Houtt.)* হায়না কৌই অমসুং *মাইরিসটিকেসী (Myristicaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিগী মনুংদা জেনেরা ১৯ অমসুং স্পিসিস ১,০৮৩ লৈবগী পাউদম লৈ। জাইফোর পাম্বীগী মাইরিসটিকা ফ্রেগ্রেন্স হায়রিবা বোটানিকেলগী ওইবা মমিং অসি দটচ (Dutch) গী অফাওবা বোটানিষ্ট মার্টিন হাওতুন (Maartyn Houttuyn) না কুমজা ১৭৭৪দা নৈনদুনা ইহান হানবা ওইনা মমিং থোনখি। স্পিসিসকী মমিং ফ্রেগ্রেন্স হায়বসিনা পাম্বী অসিগী অয়াম্বা মশাশিং মরু ওইনা মহৈ অমসুং মরূ অদু য়াম্না নুংশিবা মনম চেনবা অদুদগী থোনখিবনি।

জাইফোর হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ৫০ ফাওবা ৱাংবা, মতোন্দা মসা-মরেং ফন্দোক্তুনা মনা য়াম্না পুঙবা, মতম পুন্নমক্তা মচু শংদুনতা লৈবা অমদি মনা কেনগন্দবা ট্রোপিকেল হায়বদি অশাবা লমদমশিংদা হৌবা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মনা অদু পুংথোল পাম্বীগী মওংদা সেন্টিমিটর ৭তগী ৮ ফাওবা শাংই অদুগা সেন্টিমিটর ৩দগী ৫ ফাওবা চাওই। লোয়ননা মচু অদু শংত্রিক শংই। লৈ অদুনা হঙ্গাম মপাল মচু চংলপ তৌই অদুগা মহৈ অদুনা য়েৱম মওংগুম্না মতুম তানা শাংতক তৌই। মহৈ অসিগী তোপ-তোপ্পা মওংদি মহৈ অদু হেক থুগাইবদা মখুম ২ পাল্লি লোয়ননা মনুংদা য়াওরিবা মরূ অদুগী মথক্তা লাংগুম্বা কুয়োম অমনা য়োমশিল্লি অমসুং মসিবু মেস (Mace) হায়না কৌই। পাউদমশিংগী মতুংইন্না জাইফোর পাম্বী অসি ইন্দোনেসিয়াদা লৈবা মোলুকাস হায়রিবা মফম অসিদগী হৌরকখিবনি। মোলুকাস (Moluccas) অসি মরূ-মরাং (Spices) কী হৌরকফম ওইবা ঈথৎনি হায়নসু শীংথানরিবনি। জাইফোর পাম্বী অসি চাইনা, টাইৱান, ইন্দোনেসিয়া, মলেসিয়া, কেরিবিয়ান্দা লৈরিবা গ্রেনাদা, শ্রীলঙ্কা, খা আফ্রিকা অমসুং ইন্দিয়া মরু ওইনা কেরলাদা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌজৈ।

জাইফোর পাম্বীগী মহৈ অসিদা চাদা ৩গী চাংদাদা মনিল কাগনবা থাও অসি য়াওই। পাউদমশিংগী মতুংইন্না হায়রিবা থাও অসিদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিংদি মাইরিসটিসিন (Myristicin), মাইরিসটিক এসিদ (Myristic acid), ইলিমিসিন (Elimicin), সেফ্রোল (Safrole), লিমোনিন (Limonene), য়ুজেনোল (Eugenol), কেম্ফিন (Camphene), পালমিটিক এসিদ (Palmitic acid), ওলিক এসিদ (Oleic acid), অলফা-পিনেন ($\alpha$-pinene), বিতা - পিনেন ($\beta$-pinene), টর্পিন্স (Terpenes), টর্পিনিওল (Terpineol) অসিনচিংবনি।

জাইফোর পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। মণিপুরগী অনা-লায়েংদা নুপীনা ঈরম-খোংলম শেংদবা, অঙাং খোঙ্গলাই চুবা, নুপীনা অঙাং উনরবা মতুংদা থোক্নবা অমাঙ-অতাশিং অসিদা জাইফোর মহৈ ২গা জুবাকুশুম পাম্বীগী মরা গ্রাম ৫০ রোম ফজনা চামথোক্লগা ঈশিং লিটর ২ রোমদা লিটর অমদা ময়েং তাদ্রিফাওবা ফুৎলগা শেন্বা মহী অদু নোংমদা ২ রক গ্লাস অমমমগী চাংদাদা নুমিৎ ১৫/২০ রোম পীথক্তুনা লায়েংনৈ। জাইফোর পাম্বীগী মরূ অদু শুগাইরগা ঈশিংদা তীংদুনা লৌবা মহী অদু মখল মখা কয়াগী মহীক-মতাংশিং মরু ওইনা ইসকেরিচিয়া কোলাই (Escherichia coli), ষ্টেফাইলোকোকস ওরিয়স (Staphylococcus aureus), বেসিল্স স্পিসিস (Bacillus spp.) অসি মপূং ফানা হাৎপা ঙম্মী হায়না সিলভেষ্টর অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কুমজা ২০১৮দা পাউদমখি। কুমজা ২০০৬তা চুঙ অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা পীখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না জাইফোরগী মহৈ অসি ৱাখল লায়নানা নাবা, মীওইবগী কা হেন্না নোয়খৎপা অমসুং মীওইবগী ঈ নংশিল্লক্তুনা ফমজিনবা অসিদা থোইদোক-হেন্দোক্লা কান্নবা ফল পীবা ঙম্মী। পাউদম অদুনা মখা তারদুনা জাইফোর পাম্বীগী মহৈ অসি হীদাক ওইনা শেন্নগা চাং নাইনা পীথকপদা কেন্সর মখল খরা ঙাকথোকপসু ঙম্মী। হায়রিবা অশেন্বা অদু দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংদা পীথক্তুনা অনাবা অদু মপূং ফানা নমথবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। জাইফোরগী মহৈদা এন্টিওক্সিদেন্ট (Antioxidant) কী চাং য়াম্না য়াওবা মরম্না চাং নাইনা পীজবদা মীওইবগী পুন্সি শাংদোকহনবা ঙম্বগী মথক্তা হকচাংদা হু কাবা অদুসু মপূং ফানা লৌথোকহনবা ঙম্মী। জাইফোর পাম্বীগী মহৈ অসি চাবা তুমহনবা ঙম্বগী মথক্তা নুপা-নুপীগী ফম্বী ফগৎহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমশিংসু লৈ। নুপীনা থাগী খোঙকাপ লীকপা অমদি হক্কী ঈশিং চৎপদা য়াম্না লীকপা অমদি শাবা ফাওরবদি জাইফোর মহৈ অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু ঈংথহল্লগা খোইহি খরা হাপ্তুনা পীথল্লগা লায়েংবসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। পুক নুংশিৎ কাবা, খোঙ হামথবা, মখল কয়াগী ফিরাক্কী লায়নাশিং অসিদসু জাইফোরগী মহৈ অসিদগী শেন্বা হীদাক অদুনা লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। তূম্বা য়াদবা ইনসোমনিয়া (Insomnia) হায়রিবা লায়না অসিদসু জাইফোর মহৈ অদু ঈশিংদা ফুৎলগা মহী অদু পীথকপদা থোইদোক্লা কান্নৈ।

জাইফোরগী মহৈগী মকু অদুগী হেক মখা অদুগা মরূ অদুগী হেক মথক্তা য়াওরিবা লাং মানবা মকু অদু এঞ্জাংদা থাক্লবা মনম য়াম্না নুংশিবা অমদি মহাউ হেঙ্গৎহনবদা মচল অমা ওইনা মালেমগী মফম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। মখল কয়াগী অচাপোৎ অমসুং অথুম-অহাওশিং শাবদা জাইফোরগী মহৈ অসি মচল অমা ওইনসু শীজিন্নৈ। থক্লবা মহী অমসুং অহাওবা কেক অমসুং বিসকিটশিং শাবদা জাইফোর অসি মরু ওইবা মচল অমা ওইনা য়াওই। হকচাংদা কাপ্নবা মনম নুংশিবা মহী, মাইতৈ হীদাক অমসুং সাপোন শাবদা জাইফোরগী মহৈদগী শুংবা থাও অসি মরু ওইবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। হায়রিবা থাও অদু কেন্দল শাবদসু শীজিন্নবা য়াই। জাইফোর পাম্বীগী উ অসি চে শাবদসু শীজিন্নৈ। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## খল্লুরগা হৌজিকপু কান্নখিগদ্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লমদমসিদা পোকই হায়বগী নত্তে, লমদমসিদা থোকপা পোথোক খুদিংমক অয়াম্বনা মগুণ লৈবা ঙাক্লা অয়াম্বা ওইনা তৌবনি। মসি ঙরাং নহানগী ৱারী নত্তে। ফনা কুইখ্রবা ৱারীনি। কুমজা ১৯০১গী লমদমসিগী মীশিংসি লাখ ২.৮৪নি হায়বগী রেকোর্দকী মতুংইন্না ঙসিদি লমদমসিগী মীশিংসি লাখ কয়া শুখ্রে। মী য়ামদ্রিঙৈদা নুংঙাই য়াইফনা মরাং কায়না শোয়দনা লৈরমগদৌরিবনি। মতমদুদা মরাং কায়না ফংলম্বা পোথোক কয়া ঙসিদি মমিংতমক ঙাইরবনি। পোথোক্লবু মরাং কাইরবা লমদমদুদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক মশা মউ ফবা হায়বসি নমদনা অদুমক ওইরগদবনি। থাজবা য়াবদা শঙ্গোম পৱাদা কয়া পীরমগনি। চহী অসুক য়াম্না শাংখ্রবা ৱারীদা পংহায় হায়জিনবা য়াবা নত্তে। ইম্ফাল তুরেলদগী, ইরিল তুরেলদগী ফাবা ঙাতেক-খাবক, শরেংখোইবী, ঙাতিন, শরেং শিংথাবা য়ানা হৌজিক ফাওবা হায়নরিবনি। ঙাতোনগা হঙ্গাম য়েলাগা থোংবগী মহাউদু চাদবা মীনা খঙগদবা নত্তে। মহাউ লৈবা ঙা মখৈ কদায়দা করম তৌনা মাঙখিবা হায়রুদনা করিবু কান্নগনি। মীনা মশীং য়ামদ্রিঙৈগী মতমদা লম্বী চৎথোক চৎশিন্দা উরুম-ৱারুম খিত্তা ওইরবসু ফংনবগীদমক খোঙনাং পাম্বী কয়া শরক্কী মতাইদা থারম্বা ঙসি ফাওবা খরদি হৌবগুম উরি। চাওখৎলকপগী মতুংইন্না চৎথোক চৎশিনগী লম্বী পাকথোক-চাউথোকপদা য়ান্থৎখিবনা অয়াম্বা ওইরবনি। অশংবা উপালশিংনা লৈতেংদুনা লৈজরম্বা, চীং কয়াদা হৌজরম্বা উ-ৱা য়ান্থৎখিদুনা লাম্মৈ থাদুনা মাঙহনবদগী পুন্নমক্কী শোয়রকপসিনা ঙসিদি করম্বা ফীভমদা লৈরিবা। পামলৌ উবা মশীংনা য়াম্লকপনা ঙসিদি অফবা ওইনবগী করিগুম্বা খরদি লৈদৌরি হায়বসিমক লান্দৌরবনি। চীংদা মকা লাম্না নুংঙাইনা লৈজরম্বা উচেক-ৱায়া কয়া অমা মরোন-মরাং তাকশিল্লকপা পুন্নমক হিংলিবা মীওইসিনা শিনবা খুৎশিন্দগী ওইখিবনি। কুইর-কুইরক্লগা অহৈপা শাবা অখঙ অহৈনা মশীং য়ামখৎলকপনা ঙসিদি হৱাই মঙ্গলগী বেশোন তানা কুপ্না তকখায়দুনা... চহী খরগী মতুংদা করি অমুক লাকপা! য়ামদ্রবদা জপান্দা পোকখিবা জি রোমোন কিমুরানি। মহাক কুমজা ১৮৯৭তা পোক্লগা কুমজা ২০১৩দা তাইবঙপাল থাদোকখিবা মহাকপু নীংশিংনরিবা অসিনি।

মীওইসি য়ামদ্রবদা চহী ১১৬কা নুমিৎ ৫৪নি হিংলমখি। মহাক্তুম্বা কয়া অমা লৈবাকসিদা লৈরবা লির-লিরবা ৱারী কয়া হংবদা নুংঙাইগদৌরিবনি। অসুক শাংনা পুন্সিবসিবু ইরমদমসিদা লৈখিদৌরিব্রা? থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। চহী ১০০গী মথক্তা পুন্সিবা হায়বসি থাজবা হায়বদু ওইদ্রবসু লৈবদি লৈরিবা পোৎনি। মহাক্লা থেংনরমগদবা ময়াম হায়রুদনা কান্নগদবা লৈরবসু কদায়দা থিরুগদৌরিবনো? মাঙশিল্লকপগী মাঙশিল্লকপা তাইবঙ মীওইবা ঐখোয় ফাওবা মাঙশিল্লকুদ্রা হায়না নুংশা থিবা য়াওরবনি। হিংদবা য়াদনা হিংনবা হোৎনবসিদা চাদবদি য়াদবনিনা চান-থক্লবা হোৎনবদা নোংম-নোংমগী অৱাবদা অৱাবা হায়দুমা অদুমক ওইদুনা লৈরবনি। খুৎশেমগী পোথোক্তনা লৈজবী থাদনা মশীং য়ামখৎলক্লবা চাওখৎপনি হায়না লৌনরিবা হৌজিক্কী মতম অসিগা খেন্নবদি ময়াম অমা অদুমক ওইরবনি। হৌজিক হৌজিকমক চহী খরগী মমাঙদা লৈনরম্বা ফৌ শুনবা শুম্বল, ফৌ তক্লবা চক্রি, মফম কদায়দা লৈরমনি। নুপী ওইবীশিংগী শিন্থাগী মনুং চন্না লশিংদগী কপত্রেংদা হাপচিল্লগা... মরূশিংদু লৌথোকখ্রগা অমুক কাবোন্দা কাপথোক্তুনা... ফি শানবা লং ওইনা পুথোকপা মতম খরা অদুমক চংদনিংঙাই লৈরোই। মসিগুম্বসি হৌজিকপু কদায়ৱাইদা লৈরমগদৌরিবনো? কুলু পান্দুনা হঙ্গাম মরূদগী অচাথাও শুম্লম্বা... কুইদ্রিবনি তোকখিবা। হঙ্গাম থাও অশেংবা হায়বদু কুলুদগী শুম্বা থাও অদুনি হায়নরম্লিবনি। পুন্নমক কদাইদা চৎখ্রবা? লৈরমই হায়বগী ৱাদা ঙাইদৌরি। কাবক-কাবক লৌ মরাই তাবগুম ওইরিবা ষণনা ষণ গাড়ী চিংনরিবা মসি ফাওবা খরা লৈরবদি মাঙখিদৌরিবনি। ষণনা লৌবুক্তা ষণপোৎ খোইদুনা চহী অমগী চাবা ফংনবা লৌ উবা তৌনরম্লিবনি। অদুবু ঙসিদি ইঞ্জিননা মহুৎ শিল্লকপা, লৌবুক্তা হাপ্পা য়াবা, চাইবা য়াবা খুৎশেমগী ওইবা হার... ময়াম অমা চাইনরকপা পুন্নমক তুংদা করি থোক্লক্কবা? ফৌবোৎ তরা থোকপদা অৱাবা ওইরম্বা ঙসিনা শঙম অমদা ফৌবোৎ কুনমঙাগী মথক্তা থোক্লরকপা হেনগৎনা থোক্লকখিদৌরি। হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবা লৌবুক্তা চাইরিবা হীদাকসিদগী মথেল অমমুক থোরকখিবসু তম্বা ঙম্বা নত্তে। মতম অমগী লমদমসিগী মহাউ লৈরবা ফৌ খরা পল্লবদা ফৌদুম, ফৌরেন মুবী, মোইরাং ফৌ... ঙম্নমক পল্লুদ্রবসু পল্লিবা খরসি অসুক্কী মতিক মহাউ লৈবা ফৌ ঙাক্তনি। হায়রিবা ফৌশিংসিগী চেঙগা ঙাতোন অতেকপা থোংবদুগাপাবদা মতা চারবদি খুবী ফাওবা চিকখাইগদৌরিবনি। লৈরম্মী হায়বগী ৱাদা ঙাইরবনি। থিরুবদা অৱাবা অমা শোয়দনা ওইরদবনি। চাথোক লৈদা হায়নরিবা ফৌশিংসিদগী মমাঙঙৈদা থানরম্বা মহাউ লৈরবা থোৎলবা ফৌশিংসিনা হাওবা হেল্লি হায়বসি হায়রুদনা কান্নগদবা নত্তে। দাইবেটিস লৈবা কনাগুম্বা-কনাগুম্বীদি সুপর ফাইনগা য়ান্দুনা নৎত্রগা সুপর ফাইন ঙাক্তা থোঙদুনা চাবনা মশীং অয়াম্বনি। লৌ উবদসু লৌবুক্তা তীল তারে হায়রিবসি মরেক-মহাও খরা লৈবা ফৌনাদা অদুমক তাবনা অয়াম্বনি। লাইনা য়ারোই তীল-কাঙ ফাওবা মহাউ লৈদা লৈতেদা খঙলিবসিনি। মচিঞ্জাক থিবদা ৱারবা উচেক ৱায়া ফাওবদা করিগুম্বদা মখোয়গীদমক চেঙ থাবীবদা সুপর ফাইনগা মীতৈ চেঙগা অনীসি মফম তোঙান তোঙান থাদুনা য়েংবীয়ু। মহাউ লৈরবা ইরমদমসিদা থোকচবা চেঙদুনা হান্না চারগদবনি। মসি অমুক্তং চাংয়েংবীয়ু। মদুদা অশেংবদু শোয়দনা খঙলগদবনি। ইরমদম লমদম লমনুংশি লমদমসিদা থোকপা লমদমসিদা ফংবা পোৎথোক খুদিংমক থোইদোক হেন্দোক্লা মগুণ অমদি য়াওরিবনি। মালেমগী মফম অমতদসু ফংদ্রবা লমদমসিগী চাকহাও হায়রুদনা করিবু কান্নগনি। মপান্দগী লমদমসিদা হিংনবা হোৎনরিবা কয়ানা লমদমসিদা লৈবনা নুংঙাইবা হেল্লি হায়বা খঙবদগী লিল্লবোপ্পা ঙাকোম শংবগুম লৈনরিবসিনি। মসি হেক্তা পংহায় হায়জিন্নবা নত্তে। মতম অমগী মীশিং য়াম্লমদবা ইরমদম ঙসিদি ফুরুপ কয়াগী মীনা... মসিদবু মাংলমচৎকী নুংঙাইবদুবু লাকখিগদ্রা? থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগনি। খল্লুরগা হৌজিকপু কানখিগদ্রা?

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

ষ্টেটকী পাউ

# ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং খুন্নৌ অমদি চ্যেরমেনদা লৌমীশিংনা য়ুরিয়া হার ফংহল্লু হায়না খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): মণিপুর লৈঙাক্লা য়ুরিয়া হার লৌমীশিংদা ফংহল্লি হায়রবসু লৌ উদুনা তশেংনা লৌ উজরিবা লৌমীশিংদদি য়ুরিয়া হার ফংহন্দবগী ৱাকৎ অমদি খোঙজং লমদম অসিদা লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লি।



হার চাইবগী মতম লোইগদৌবা ফাওবা লৈঙাক্লা য়ুরিয়া হার পীদবগী মায়োক্তা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সুগ্নু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা ককচিং খুন্নৌ অমদি চাইরেলদা লৌমীশিংনা লৌবূক ময়ায়দা কুমদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

ককচিং খুন্নৌদা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুগী মতাংদা মোহেন কৌবা লৌমী অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, হন্দক পাঙথোকখিবা মণিপুর এসেমব্লিগী নোংজু মীফমদা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন মশামক্লা দোক্যুমেন্ট শুবা লৌমীশিংদা চয়োল অমগী মনুংদা য়ুরিয়া হার পীগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী মতুং ইন্না ককচিং খুন্নৌ খুল অসিগী লৌমীশিংনা ককচিংগী দি সীদা মথৌ তাবা চে-চাং পূম্বা পীশিনখিবা নুমিৎ ১০ নি হেল্লে। অদুবু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মথৌ তাবা য়ুরিয়া হার অমতা লৌমীশিংদা পীদবনা লৌমীশিং অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। লোয়ননা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট খরনা হার য়েল্লিবা অসিসু পোলিটিক্স তৌরগা মাগী মাগী মীখক্তদা পীদুনা লৈরে হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

দিভলপমেন্ট কম্মিটি, ককচিং খুন্নৌ সেক্রেটরি ইন-চার্জ রিশিকেস থিংনামনা ফোঙদোরকপদা এসেমব্লিদা সী এম অমদি এগ্রি মিনিষ্টরনা চে-চাঙ শুনা থাজিল্লকউ হার নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ফংহনগে হায়না তাকপীখিবগী মতুং ইন্না ককচিং খুন্নৌগী ওইনা লৌমী ৭১৬কী মরী লৈনবা চে চাংশিং দি সী ককচিংদা থাজিনখ্রে। অদুবু নুমিৎ ১০নি শুরবা ফাওবা হারদি ফংদনা লৈরি। লৌ হেক্টর অমদা য়ুরিয়া হার বেগ ৩/৩ পীগনি হায়রবদি ককচিং খুন্নৌখক্কী ওইনা বেগ ২,১৪৮ ফংফম থোকপা হার কিলোগ্রাম অমা ফাওবা ফংদনা লৈরি।

অমরোমদা, সুগ্নু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা চে-চাং থাজিনখিবা অপূনবা য়ুরিয়া বেগ ৮,৮৩২ খক মথৌ তাই অদুবু এগ্রি মিনিষ্টর লুখোইনা ফোঙদোকখিবদা সুগ্নু এ সীগী ওইনা হার বেগ ১০,৫০০ পীথখ্রে। মথৌ তাবদগী হেন্না হার পীখ্রে হায়না খঙহনবীরক্লে, সোমদা লৌমীশিংদা হার ফংহনবীদ্রে। দিপার্টমেন্টনা পীথখিবা হারশিং অদু কদোমদা চৎখ্রবগে হায়বা অদু দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবশিংনা মীয়ামদা খঙহনবীয়ু। অদুগা ককচিং খুন্নৌগী ওইনা লৌমী ৭১৬না হার পীবিয়ু হায়না দি জীদা চে পীশিনখিবশিং অদু হার ফংগনি খন্না ঙাইরি। সোমদনা সুগ্নু এ সীদা হার ফংফম থোকপদগী হেন্না পীথখ্রে হায়না লৈঙাক্লা হায়রবনিনা হার পীদদুনা লৌ পানবা য়াদদুনা তোক্লগদৌরিব্রা হায়নসু হংলক্লি।

নাকল অমরোমদা, চাইরেল লৌকোলদা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুগী মতাংদা নাওরেম মনিলৈমা কৌবী অমনা ফোঙদোরকপদা, কুমশি চহী অসি নোংজুগী চাং ৱাৎপনা ঈকংগী অৱাবা মায়োক্লদুনা অনকপা পাৎ-তুরেলদগী ঈশিং চিংনবা পম্প ৱাইদুনা ঈশিং চিংলগা য়াম্না ৱানা লৌ উনরি। লৌ মরাক অমা উনবা হোৎনবদা হৌজিক ফাওবদা লুপা ২০,০০০ দগী ৩০,০০০ ফাওবদা চঙনরে। হৌজিক্লা অমুক লৈঙাক্লা য়ুরিয়া হার মতম চানা পীবিদবনা লৌ লোক্লরোইদ্রা হায়বগী অকিবা লৈরে। লৈঙাক্লা হার ফংহল্লিদি হায়রগা অশেংবা লৌ উজরিবা লৌমীশিংদদি হার ফংহনবীদ্রে। লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংনা মথৌ তারিবা হার অসি অথুবা মতমদা ফংহনবীয়ু ফোঙদোকখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়ারম্বা নন্দো কৌবা লৌমী অমনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা ঙরাং মীদিয়াগী খূত্থাংদা সুগ্নু কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা লৌমী মীয়ামগী মথৌ তাবা হার বেগ মশিংদগী দিপার্টমেন্টনা মশিং হেন্না পীখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু য়ূম্ফম য়াওদবনি। করিগুম্বা মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুনা অচুম্বনি হায়বা তারবদি হায়রিবা হার অদু কনাদা পীখি হায়বা অদু ময়েক শেংনা খঙহনবীয়ু। মরমদি চাইরেল লৌকোলগী ওইনসু হার বেগ ১৯০০ রোম মথৌ তাবদা লোকল এম এল এ না বেগ ৬০০ পীরকখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা অমত্তা ফংবা লৈত্রি। মরম অসিনা করিগুম্বা মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুনা অচুম্বা ওইরবদি হার য়েনবগী থবক অসি নীংথিনা থীগৎপীয়ু। লোয়ননা চাইরেল লৌকোলগী মথৌ তাবা হার অসিসু নুমিৎ ৫নি ফাওবগী মনুংদা পীদ্রবদি লৌমীশিংনা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শারে হায়খি।

## পাৱর বেকঅপ থম্বীয়ু: দি পি য়ু ভি ও

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): নম্বোল মায়কৈদা সর্ভিস পীরিবা মোবাইল ফোন নেটৱর্ক সর্ভিস প্রোভাইদরশিংনা মৈ লাক্তবা মতমদা মোবাইল টাৱরশিংদা জেনরেটর লৈরবসু পাৱর বেকঅপ পীবিদবনা কষ্টমরশিংনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মসিনা মরম ওইদুনা স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটিশিংদা ওফলাইন ক্লাস তৌবা য়াদবনা ওনলাইন ক্লাস তৌরিবা মহৈরোয়শিংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। মরম অদুনা নেটৱর্ক সর্ভিস প্রোভাইদরশিংনা বেকঅপ থম্বীনবা থৌরাং তৌবীয়ু হায়না দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভোলুন্টরি ওর্গনাইজেসন (দি পি য়ু ভি ও) গী সেক্রেটরি টিঐচ লমজিংবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## ফেলিসিটেসন কম করিয়র গাইদেন্সকী থৌরম মোদেল হায় স্কুলদা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মোদেল হায় স্কুলদা কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) জিরি অমদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ফেলিসিটেসন কম করিয়র গাইদেন্স হায়বা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এ দি সী তমেংলোংগী এক্স মেম্বর হতলহিং দোঙেল লিংখোলম সিংসন অমদি এল খাইদৌখুপ ঙাতেনা চিফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ওল জিরিবাম ট্রাইবেল য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এল রেমকুং চাংসন, পি টি সী ৱাঙ্গাই ব্লোককী জেনরেল সেক্রেটরি থাংথিনমোনমার ইনপুই জে ঐচ ক্যুগী জেনরেল সেক্রেটরি বেঞ্জামিন সাখুমনচিংবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা কে এস ওনা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর, কাওন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা কুমজা ২০২১গী ইগজামদা মায় পাকখ্রবা মহৈরোয়শিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা মেমেন্টো পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

এ দি সী তমেংলোংগী এক্স মেম্বর দোঙেলনা হায়, হন্দক্কী চহী অসিদা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্ভতা মায় পাকখ্রবা মহৈরোয়শিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরম অসিবু শীল্লিবা লুপশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## ৱাংজিং তেন্থা এ সী মশক থোকপা এ সী অমা ওইহল্লগনি: পাওনম ব্রোজেন

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): মীয়াম্না থাজবা থম্বীদুনা অমুক হন্না ৱাংজিং তেন্থা কেন্দ্র অসিগী মীহুৎ ওইনা থাগৎপীরকপা তারবদি এ সী অসি অওনবা অমদি চাওখৎপা এ সী অমা চহী ২/৩ অসিগী মনুংদা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়না এ সী অসিগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেননা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি এ সী অসিগী পোল্লিং নম্বর ৩৪/৩গী ৰুমেন কম্মিটিগী ফন্দ য়েন্থোকপা অমদি পোল্লিং অসিগী নিঙোল ওইবীশিংদা পুখম য়েন্থোকপগী থৌরমদা এম এল এনা ফোঙদোকখিবনি।

এম এল এ ব্রোজেননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা এ অসিগী মনুংদা ৱাংজিং তেন্থা এ সী অসি য়াম্না শোত্থবা এ সী অমা ওইনা লৈরি। অসিগুম্বা এ সী অসি হেন্না চাওখৎপা এ সী অমা ওইননবা এ সীসিগী মতিক চানা লাইরিক লাইশু হৈরবশিং লৈঙাক্লা চানবা থবক পীনবা হোৎনগনি। চহী ৫০ হেন্না থক্লবা ঈশিং ফংদনা লাক্লবা খুল কয়াদা ঈশিং পীনবা থবক পায়খৎপা লোইশিল্লক্লে হায়খি।

মহাক্লা হায়, এ সী অসিগী লম্বী অয়াম্বা কোইলাস থাবা লোইশিল্লক্লে। ৱাংজিং তেন্থা তুরেলগী মথক্তা থোং মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং ইন্না থোং অমসু শানবা থৌরাং তৌরি। এ সী অসিগী নুপীশিংগী য়াইফনবগীদমক সেল্ফ হেল্প গ্রুপ কয়া শেমদুনা এস বি আই ৱাংজিংদা একাওন্ট হাংনবা থৌরাং লোইরে। সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং অসিবু চাওখৎনবগীদমক গ্রুপ অমমমদা লুপা লিশিং ৫০/৫০ হাপচিনবসু হৌরে।

থৌরমদুদা বি জে পি ৱাংজিং তেন্থা মন্দলগী প্রসিদেন্ট ও সুনিলকুমার, এম এল এগী পি আর ও এস জ য়াদেবা, জেনরেল সেক্রেটরি টিঐচব্রজ কিশ্বর, এদভাইজরশিং, এম এল এগী লোয়নবী পাওনম ওংবী শামা অমদি বি জে পি মহিলা মোর্চা ৱাংজিং তেন্থা মন্দলগী প্রসিদেন্ট এন অনন্দিনচিংবা মরু ওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা এম এল এগী লোয়নবীনা পোল্লিং নম্বর ৩৪/৩গী নিঙোলশিংদা পুখম অমদি শেল খূৎশিন্নখি।

খঙহঞ্জবা

"ঐ" হাওরোংবম তোম্বী মৈতৈ পিং মৃ: হাওরোংবম নিংথৌ মৈতৈ চহী ৮২, লৈফম সলাম অৱাং লৈকাইদা লৈবা ঐহাক ঙসি ০৩/০৯/২০২১ ইং, ইরাই নুমীৎ অসিদগী মণিপুর ষ্টেট কংগ্রেস পার্টিদগী পোথারে অমসুং কংগ্রেস পার্টিদগী পুমতোক তোকচরে হায়বা ইশানা য়াজরে। অদুগা লোয়ননা "ঐ" হাওরোংবম তোম্বী মৈতৈ অমসুং লৈতাম্থেম বিমোল মৈতৈসু কংগ্রেস তোক্লগা বি: জে: পি:দা সপোর্ট তৌজরে।

খঙহঞ্জরিবা :
**1. Haorongbam Tombi Meitei**
**2. L. Bimol Meitei**
Salam Keikhu,
Lamsang Assembly Constituency
HL-P/6933/4

থবক কৌজরি

মশাগী চহী18 দগী 50 ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা অমদি নুপীশিংনা মশাগী Aadhaar Card, Photo Passport অনী, Stamp size অনী অমসুং Qualification Certificate পুবীরক্তুনা মখাদা পীরিবা Post শিং অসি অথুবগী ওইনা apply তৌবীবা য়াগনি। Post শিং অদুদি Security (M/F), Helper (F), Driver (M) অমসুং Gunman (M) অসিনি। Salary মতিক চানা পীজগনি অমদি ফম অহাঙবা লৈবগী অথুবগী লৌজবনি অমসুং Gunman গীদি Salary Rs. 10,000/- দগী হৌজগনি।

Contact No. - # 9612445120
# 7629835413
Office Hours :- 10.00 am to 15.00 hr's.

**Sd/- MD**
**Social Security Guard (SSG)**
Uripok Laikhurembi
HL-P/6936/4

CERTIFICATE CUM MARKSHEET LOST

I have lost my Original Certificate cum Marksheet of Class X bearing Roll No. 3919 of 2016 issued by BOSEM on the way from my residence to Singjamei on 1st September, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Chakpram Punimashi Devi**
Bamon Kampu
HL-P/6932/4

NAME CHANGE

I, Nganthoiba Chingtham, date of birth : 01-04-1995, S/o Late Ch. Nabachandra, a resident of Kwakeithel Laishram Leikai, Imphal West District, Manipur - 795001, has changed my name from Chingtham Piyarilal Singh to Nganthoiba Chingtham vide affidavit no. 649783 date 30/08/2021. Sworn before the Oath Commissioner (Judicial) Imphal West, Manipur.

HL-P/6930/4
Sd/- **Nganthoiba Chingtham**

দাইবেটিসকী হীদাক ফংবীগনি

দাইবেটিস ইরাই লায়না ফহনবা ঙম্বা (Indradhrum Herbal Products) Certified by WHO-GMP/FDA No.- GCS/FDA/3819 অয়ুরভেদিককী অমত্তা ঙাইরবা হীদাক অসি শীজিন্নবনা Gujarat অমদি Maharastra দা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমখ্রবা হীদাক অসি মখাগী contact No. অসিদা পাউ ফাওনবীদুনা ফংবা ঙমগনি।

হীদাক ফংফম :
**LUCKY SINGH**
H/o. Ningthoujam Omeshowri
C/o. Ningthoujam Ibotombi Singh
Timing : 9:00 am to 1:30 pm
Keishamthong Elangbam Leikai, Leirak Achouba Lairembi
Mamang Leirak,
**Mobile No : 9004619348 / 7005768090**
*HL-P/9866/27/8-8/9 (alt)*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।